**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 10-12-2025)**

**রাস্ত্রপতি (এল)ঃ** রাস্ত্রপদি-দ্রৌপদি মুরমু নুমিৎ নিনিগা খোঙচৎতা হয়েং ইম্ফালদা থুংলরগনি। রাস্ত্রপতিনা হয়েং ইম্ফালদা হেক থুংবগা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালাগা উন্নরবা মতুং ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা শগোল কাংজৈ শান্নবা য়েংগনি। তুংদা, রাজ্য অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট খরগীনা শঙ্গাগনি, খরগীনা যাত্রা হুনগনি।

রাজ্য সরকারনা শিনদুনা ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোক্কদবা মহাকপু ওকপগী থৌরমদা মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা নাৎকী-জগোই ঈশৈ কয়াসু উৎকনি। থৌরম অদুদা প্রোজেক্টশিং শঙ্গাগনি। তুংদা, রাস্ত্রপতিনা ইম্ফালগী লোক ভবনদা আই.দি.পিশিংগা উন্নগনি।

অকাশবানি ইম্ফালনসু হয়েংগী রাস্ত্রপতিগী থৌরম অসি লাইফ ওইনা নুমিদাংৱাইরম পুং মরি মিনিট ৪০ দগী তরুক মিনিট ১০ ফাওবা এফ.এম. সঙাই চেন্নেলদা শন্দোক্কনি।

থা অসিগী ১২ দা রাস্ত্রপতিনা ইম্ফালগী নুপী লাল মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা নুপী লাল থৌরম শরুক য়ারম্লগা সেনাপতিগীদমক ইম্ফাল থাদোক্কনি।

রাস্ত্রপতিগী মনিপুরগী খোঙচৎকী মাংওইননা ইম্ফালগী অকোইবদা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন লৌখৎলি। মরুওইবা থৌরম পাঙথোকফম ওইরিবা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা সিটি কনভেন্সন সেন্টরগী অকোইবদা হৌজিক মনিপুর পুলিস য়াওনা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা ঙাক শেল্লি। হৌজিক নুমিদাংদগী হৌনা সিটি কনভেন্সনগী অকোইবদা মীয়াম চৎথোক চৎশিনদা অথিংবা খরা থল্লে।

**ডে (এল)ঃ** মীওইবগী হকপু খোঙগাউনবা অমদি মসিগী মতাংদা মীয়ামদা হেন্না মমুৎ তানা খঙহন্নবা পাঙথোকপা মালেমগী হ্যুমেন রাইটস নুমিৎ ঙসি পাঙথোকখ্রে। রাজ্য অসিদসু তোঙান তোঙানবা সংস্থানশিংনা শিন্দুনা নুমিৎ অসি পাঙথোকখি। পালন থৌরম অসিগী কুমশি চহিগী হিরমদি- হ্যুমেন রাইটস-অৱার এভ্রিডে ইসেন্সিয়েলস হায়বসিনি।

৭৭ শুবা মালেমগী মীওইবগী হক্কী নুমিৎ পালনগী মপুং ওইবা থৌরম ঙসি মনিপুর হ্যুমেন রাইটস কন্মিসননা শিনদুনা ইম্ফালগী হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোকখি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী সেন্তর ফোর হ্যুমেন রাইটস এন্দ দ্যুতিজ ইজ্‌কেসন অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ লোনসু নুমিৎ অসি পালন পাঙথোকখি।

য়ু.এসকী কোলোরাদোদা রেজিষ্টর তৌবা ৱার্ল্ড হ্যুমেন রাইটস প্রোটেক্সন ওর্গনাইজেসন অমসুং গোল্ডন দ্রেগন ইবুধৌ পাখংবা ইন্তরনেসনেল য়ুনিভর্সিতিনসু নুমিৎ অসি পালন পাঙথোকখি। ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পালন থৌরম অসিদা চহি অসিগী ইন্তরনেসনেল পিছ এৱার্দসু খুৎশিন্নখি।

মৈতৈ চৈঙাক মৈত্রবাকনসু মালেমগী হ্যুমেন রাইটস নুমিৎ পালন থৌরম ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা থৌরম অসি পাঙথোকখি।

মালেমগী মীওইবশিংগী হক কনবা নুমিৎ ঙসি ককচিং সেকমাইজিন খুনৌদা লৈবা স্মার্ট য়ুনিভরসিএল একাডমীদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু ওল মনিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো), পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপুনবা মনিপুর, ওল মনিপুর ৱিমেন্স ভোলুন্টরি এসোসিয়েসন, মনিপুর ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন অমদি কমিতি ওন হ্যুমেন রাইটসনা পুন্না শিনবনি।

থৌবাল জিলাদসু তোঙান তোঙানবা লুপ মঙানা শিনদুনা মালেমগী হ্যুমেন রাইটস নুমিৎ খাঙবোক্তা লৈবা এম.এম.আর.সি. অমসুং য়ুনিতি পার্ককী হোলদা পাঙথোকখি।

জিরিবাম জিলাদসু ওল জিরিবাম য়ুনাইটেদ ক্লবস এসোসিয়েসন (অজকা) অমসুং অতৈ লুপশিংগা পুন্না খুৎশমদুনা মালেমগী হ্যুমেন রাইটস নুমিৎ পালন থৌরম আর.কে. সনাতোম্বী দেবী বিদ্যালয়াগী হোলদা পাঙথোকখি। থৌরমগী মনুং চন্না লৈখিদ্রবা হ্যুমেন রাইটস এক্তিভিষ্টশিংগী মফমদা মিনিট অমা লেপ্তুনা অৱাবা ফোংদোকখি।

পালন থৌরম অসি ঙসি ইন্টিগ্রেটেদ রুরেল দিবলপমেন্ট সার্ভিস ওর্গনাইজেসন-ৱাংজিং অমসুং ৱিমেন ইন গভরনান্স থৌবালনা শিনদুনা ৱাংজিংগী পোথা ইনদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা থৌবাল জিলাগী তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওই য়াওনা পুন্না মীওই ১৫০ রোম শরুক য়াখি।

**লোক ভবন (এল)ঃ** থবক্তগী পোথরবা হান্নগী লেফটনেন্ট জেনরেল-কোন্সম হিমালয়না লুচিংবা এক্স-সার্ভিসমেনশিংগী মীওই ২০ না শাবা মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা ইম্ফালগী লোক ভাবনদা উন্নখ্রে। আর্মদ ফোর্সেস ফ্লেগ ডেগা মরী লৈননা উন্নবগী থৌরম অদুদা লৈবাক অসিগী শান্তি রক্সাগী ফিভম ঙাকনবা হোৎনবদা থৱাইনা পোন্থা পীখ্রবা ভারত লান্মী অমদি বির নারিশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

**উজৱালা (এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রি উজৱালা য়োজনা থ্রি পোইন্ট জিরোগী মখাদা শেনবা চহি ২০২৫-২৬ কী ওইনা পুন্না এল.পি.জি. গ্যাস কন্নেক্সন লাখ ২৫ হেন্না পীবগী পান্দম থল্লি। ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎতা লৈবা দি.আই.পি.আর. ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা সিলচর ইন্দেন্ট দিভিজনেল ওফিসকী দিভিজনেল এল.পি.জি. সেলস হেদ-রাজ জ্যোতি দাসনা ফোংদোকখিবনি।

শ্রী রাজ জ্যোতি দাসনা মখা তানা হায়-মনিপুরদা হৌজিক এল.পি.জি.

গ্যাস কন্নেক্সন লাখ ৭ লিশিং ১২ লৈ। লাখ ২৫ হেনবা কন্নেক্সন পীননবগী পা দম অসি মথং চহিগী জানুৱারী ফাওবদা লোয়শিন্নবা পান্দম থল্লি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যগী কঞ্জুমর এফিয়ার্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী দাইরেক্তর-করাম বোনো সিংহনা হায়-ইং ২০১৬ তগী হৌদোকখিবা উজ্জ্বালা স্কিমগী মখাদা হৌজিক ফাওবদা লেমা এল.পি.জি. কন্নেক্সন লাখ অনি লিশিং ২২,০১০ পীখ্রে। স্কিম অসিগী হৌজিক অহুমশুবা তাঙ্কক য়ৌরে। মসিদা মমাংগী তাঙ্ককশিংদা পীবা ঙমহৌদবা কন্নেক্সনশিং পীনবা হোৎনরি।

**ৱাটর (এল)ঃ** ৱাটর সেদ মহোতসব প্রভাট ফেরিগী পালন থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী পৌরাবীদা রেল্লি অমা চৎখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ৱাটর সেদ মেনেজমেন্ট কমিতি (ডব্লিয়ু.এন.সি) পি.এম.কে.এস.ৱাই. টু পোইন্ট জিরোনা শিনখিবা রেল্লি অদুদা ডব্লিয়ু.এন.সি. পি.এম.কে.এস.ৱাই. দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্টকী প্রোজেক্ট ওফিসার-আর.কে. রোমেন, টেকিকেল এক্সপার্ট-সুনিল কান্টা, মহৈরোইশিং, মৈরা পায়বীশিং, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংগী ষ্টাফশিং শরুক য়াখি।

তুংদা, ৱাটর সেদ মেনেজমেন্টকা মরী লৈনবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শঙ্গাবা অমদি উরেপ উয়ুং তম্বগী থৌরমশিং পৌরাবী, উয়াম মপান, নোঙ্গাদা, নুঙ্গৌইদা পাঙথোকখি।

**ম্যুনিসিপালিতি(এল)ঃ** মনিপুর ম্যুনিসিপালিতি প্রোপরতি টেক্স বোর্ড (এন.এম.পি.টি.বি) না শিনদুনা ঙসি রাজ্য থাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মীফম পাঙথোকখ্রে।

ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ২৬ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা সভাপতি ওইখিবা এন.এম.পি.টি.বিগী চেয়ারমেন-ঐচ. দিলিপ সিংহনা হায়-

রাজ্য অসিদা পোপরতি টেক্স সিষ্টেম অসি মপুং ফানা নীংথিনা চৎনহন্নবগীদমক মহুদ দিপার্টমেন্ট, অরবার্ন লোকেল বোদিগী ওফিসিএলশিং অমদি মীয়ামগী অচৌবা থৌদাং লৈ। মসিবু হেন্না মপুং ফাহন্নবগীদমক মীয়ামনা মতেং পাংদুনা পুন্না হোৎনমীনবা চংই। লৈরিবা অরবার্ন লোকেল বোদি ২৬ অসিদা টেক্স অসি চৎনহনবদা মায় পাকা লৌখৎখিবা থৌরাং কয়াগী মতাংদসু মহাকা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মহুদকী দাইরেক্তর-ঙাঙোম উতমনা অরবার্ন লোকেল বোদিশিংবু শৌগৎপদা ম্যুনিসিপাল লিদরসিপনা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরিবা অসিগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি। অবার্ন লোকেল বোদিশিংবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবদা হেন্নবা ফবা অমদি নিয়ম চুমা প্রোপরতি টেক্স খোমগৎপা তঙাইফদে হায়নসু মহাকা ফোংদোকখি।

মীফম অদুদা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলশিংদা প্রোপরটি টেক্স চৎনহনবগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমশিং হন্না য়েংশিনবা, শেনবা চহি ২০২৫-২৬ তা প্রোপরতিশিং রেজিষ্ট্রেসন তৌবা মপুং ফাহন্নবা এক্সন প্লান শেম্বা য়াওনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া খন্নখি।

**হকশেল (এল) ঃ** রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা হকশেল অমদি অনা-লায়েংশঙশিংদা লৈরিবা অৱাৎ-অপাশিং য়েংলগা মনিপুর সরকারনা স্পিপসিএলিষ্ট য়াওনা মেদিকেল ওফিসার ৭৪ শিংগী ত্রান্সফর অমসুং পোষ্টিংগী ওর্দর থোক্লে।

ওর্দর অসিনা রাজ্য অসিগী তমেংলোং, উখ্রুল, চান্দেল, কাংপোকপী, চুরাচান্দপুর, মোরে, কামজোং, নোনে, জিরিবাম অমসুং অতৈ মনুং হুনজিনবা মফমশিংদা অনা লায়েংগী লমদা হেন্না খুদোংচহল্লগনি। লোয়ননা সরকার অসিনা কাংলুপ খুদিংমক্কী মীওইশিংদা লায়না মগুন লৈবা হকশেলগী খুদোংচাবশিং ফংহন্নবা হোৎনরি হায়বদু তাক্লে।

**লাইটিং(এল)ঃ** রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সাভির্সেস অমসুং কলেজ ওফ নর্সিং থৌবাল অনিনা শিনদুনা কলেজ অসিগী বি.এস.সি. নর্সিংগী অহানবা বেটচ অমসুং জি.এন.এমগী মঙাশুবা বেটচ অমদি কলেজ ওফ নর্সিং চুরাচান্দপুর (থৌবাল এটেষ্ট) গী বি.এস.সি. নর্সিংগী অহানবা বেটচ অমসুং জি.এন.এমগী তরাশুবা বেটচ, ২০২৫-২৬ কী মহৈরোইশিংগী লেম্প লাইটিং অমসুং ওট টেক্কিংগী থৌরম ঙসি কলেজ ওফ নর্সিং থৌবালদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-হনা কামৈ, দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সাভির্সেস মনিপুরগী দাইরেক্তর-ডা: এম. হেমন্তকুমার সিংহ, চীফ মেদিকেল ওফিসার থৌবাল-ৱাই. নোকুল সিংহনচিংবা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা মকোক মথং তাখ্রবা মহৈরোইশিংদা মনা-মথুমশিং য়েন্থোকখি।

**ফিনলেন্দ (এল)ঃ** ফিনলেন্দদা মীখল করমা তৌবগে অমদি মখোয়গী খ্বাইদগী অফবা চৎন-কাঙলোনশিং অদু য়েংলুনবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী মহুৎ শিনদুনা মনিপুরদগী মীওই অনিনা শাবা মীহুৎ কাংবু অমা ফিনলেন্দদা থুংখ্রে।

মীহুৎ কাংবু অসিদা বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পুজা এলাংবম অমসুং এ.দি.সি. উখ্রুলগী হেদ মাস্তর অমদি বুথ লেবেল ওফিসার-সোময়া এ. সিমরা য়াওরি।

**সাইন্স(এল)ঃ** মনিপুর সাইন্স এন্দ টেকোলোজি কাউন্সিলগী শেন্থং মখাদা মনিপুর সাইন্স কম্যুনিকেটরস এসোসিয়েসন অমদি লিলোং হয়ার সেকেন্দরি স্কুল অনিনা পুন্না শিনদুনা ঙসি ২৪ শুবা মিলিনিয়ম সাইন্স লেকচর-২০২৫ লিলোং হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি সাইন্সকী লমদা মহৈরোইশিং অমদি তুংগী মীরোলশিংদা হেন্না খঙহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

**প্রমোসন(এল)ঃ** কেন্দ্রগী ইনভাইরোনমেন্ট, ফোরেষ্ট অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জ মন্ত্রালয়না রাজ্য অসিগী ফোরেষ্ট সার্ভিস ওফিসার অনি ইন্দিয়ান ফোরেষ্ট সার্ভিসতা প্রমোসন পীখ্রে।

হৌজিক মনিপুর জ্‌লোজিকেল গার্দেন ইম্ফালগী দাইরেক্তর ওইনা থৌ পুরিবা-লাইশ্রম বিরমঙ্গোল সিংহ অমদি দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার-তমেংলোংগী ফম পুরিবা খারিবম হিটলরশিংবু য়ুনিয়ন পব্লিক সার্ভিস কম্মিসনগী রিকমেন্দেসন মখাদা প্রমোসন পীরকপনি। মখোয় অনিমক ইং ২০২২ গী খনগৎলবা আই.এফ.ও.এস. ওফিসার লিষ্টতা য়াওরে।

**মেলা(এল)ঃ** নুমিৎ ১৫ নি চৎথগদবা ৱিন্টর মেলা, চান্দেল জিলাগী জাফৌ বজার ওল্ড মার্কেটতা ঙসিদগী হৌখ্রে।

জাফৌ বজার য়ুথ ক্লবনা শিনদুনা পাঙথোকপা মেলা হৌদোকপগী থৌরমদা চান্দেলগী এস.দি.ও. অনুনৈ অন্দ, দি.এফ.ও. চান্দেল-ডা: এন. মুনাল মীতৈ অমসুং মহা এরিয়া চীফ এসোসিয়েসনগী চেয়ারমেন-জে.এস. অঙম শরুক য়াখি। মেলা অসিদা চান-থকবা পোৎলমশিং, ফিরোলনচিংবা তোঙান তোঙানবা অকে-অমৌগী পোৎলম কয়া য়োল্লি।

**বিমোল ঃ** রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা হৌজিক ফাওবদা চেং মেত্রিক টোন লিশিং ২৬,৯৪৬.২০ ফংহনখ্রে হায়না কঞ্জুমর এফিয়ার্স, ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী মন্ত্রালয়না ফোংদোকখ্রে।

লোক সভাদা ঙসি এম.পি. ডা: অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মন্ত্রালয়না হায়-ইং ২০২৩ গী জ্‌নদগী আগষ্ট ফাওবগী ওইনা চেং মেত্রিক টোন লিশিং ৩০ মনিপুর মীয়ামগীদমক পীথখ্রে। মসিদসু

নত্তনা নেসনেল ফুদ সেক্যুরিতি এক্ট (নপসা) গী মখাদা চিংদবা মীওইশিংগীদমক ইং ২০২৪ দা থা অহুমগী চেং মেত্রিক টোন লিশিং ১,৮৫.৩৬ সু পীখ্রে। অদুগা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংগীদমক তোঙাননা চেং মেত্রিক টোন লিশিং ২৬,৯৪৬.২০ সু পীখ্রে হায়না রাজ্য সরকারনা খঙহল্লকখ্রে হায়রি।

**মুরমু ঃ** রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-লৈবাক অসিনা মীওইবগী হকপু ঙাক শেনবা অসি তৌফম থোকপা থোদাং অমা ওইনা লৌবা খক নত্তনা ভারতপু মশক তাকপা ঙমনবা লেপ্তুনা হোৎনখিগনি।

ঙসি ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দাপমদা পাঙথোকপা মালেমগী হ্যুমেন রাসটস নুমিৎকা মরী লৈননা পাঙথোকপা থৌরম অমা রাস্ত্রপতিনা হায়-ভারতনা মালেমগী হ্যুমেন রাইটসকী মতাংদা শেন্বা গ্লোবেল ফ্রেমৱাকশিংদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। ভারতকী হনসা মেহতানা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী য়ুনিভরসিএল হ্যুমেন রাইটস শেন্বদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। ভারতকী নীংতম লালনদা শরুক য়াখিবা লুচিংবশিংনা ভারত অসি মীওইবগী হকপু ইকায় খুমবা অমদি মান্নবা খুন্নাই অমা শেন্বা হায়বসি পান্দম থমদুনা লাক্লি।

থৌরম অদুদা নেসনেল কম্মিসন অমসুং তোঙান তোঙানবা রাজ্যগী হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী মীহুৎশিং, সরকারগী ওফিসিয়েল, সিভিল সোসাইতি অমসুং একাদমিয়াশিং শরুক য়াখি।

**য়ুএনঃ** লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবা দিপাৱালিবু য়ুনাইটেদ নেসন্স এদুকেস্নেল, সাইন্টিফিক এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (য়ুনেস্কো) না মখোয়গী ইন্টেজিবল কলচরেল হেরিটেজ ওফ হ্যুমেনিতিগী লিষ্টতা চল্লে।

কেন্দ্রগী কলচর অমসুং টুরিজম মন্ত্রি-গজেন্দ্র সিংহ সেখাৱটনা ৱাফম অসি লাউথোক্লদুনা হায়-দিপাৱালি অসি অখন্নবা য়ুনেস্কোগী লিষ্টতা য়াওরকপা অসি

ভারত মচাশিংগীদি য়ামা চাউথোকচনিংঙাইনি।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা য়ুনেস্কোগী লিষ্টতা চল্লকপা অদুদা নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা হায়-দিপাৱালি অসি লৈবাক অসিগী সব্যাতাবু মশক তাকপা কুম্মৈ অমনি।

অমরোমদা, লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবা দিপাৱালিবু য়ুনাইটেদ নেসন্স এদুকেস্নেল, সাইন্টিফিক এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (য়ুনেস্কো) না মখোয়গী ইন্টেজিবল কলচরেল হেরিটেজ ওফ হ্যুমেনিতিগী লিষ্টতা চল্লকপদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হরাউবা ফোংদোরক্লি। সোসিএমেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেননা হায়-য়ুনেস্কোনা দিপৱালিবু শকখঙলকপা অসিনা কুম্মৈ অসি লৈবাক অসিগী য়ুমথোং খুদিংদা মৈ ঙালহনবা খক নত্তনা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন অদুসু শকখঙবীরকপনি।

**ক্রিকেটঃ** ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দ ইম্ফালদা শান্নখিবা মেটচতা-ৱাই.এ.সি. য়াইস্কুলনা কে.সি.দি.ও. কোংপালবু ৱিকেট মরিদা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা এম.পি.এ. থৌনাওজমনা কে.আই.ৱাই.সি. ক্ষেত্রিগাউবু রন-৪৭ তা থোইখি।

**ক্রিকেট ঃ** ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্ট ২-২৫-২৬ কী মোইজিং পব্লিক গ্রাউন্দ অমদি লাইরেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নগদবা হয়েং অমদি হংচিৎকী মেটচশিং য়ৈথোক্লে হায়না মনিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

**ফুটবোল ঃ** সৈখ বাবুমচা মেমোরিএল ত্রষ্টকী শেন্থং মখাদা হৌজিক চথরিবা অহুমশুবা প্রিমিয়র লিক ২০২৫-২৬ কী হয়েং শান্নগদবা মেটচ য়ৈথোক্লে হায়না

ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

**ফুটবোল ঃ** ১৮ শুবা মণিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি লমলোং আর্টিফিসিএল তর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা-সৈনিক স্কুল ইম্ফাল ওল্ড বোইজ ফুটবোল ক্লবনা ফুটবোল ক্লব-লমজাউবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা- নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা নম্বুলমপাল এঠলেটিক এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসনবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

**ক্রিকেট ঃ** সিক্কিমগী রাংপোদা লৈবা এস.আই.সি.এ. গ্রাউন্দদা শান্নবা কুজ বিহার ট্রোফি প্লেট য়ুথ ফার্ষ্ট ক্লাসকী মনিপুর অমসুং সিক্কিমগী মেটচকী ঙসি অহুমনি চনবা নুমিৎতা মনিপুরবু থোইগে হায়রবদি সিক্কিমনা রন-৩৭০ লৌবা তঙাইফদে।

**ক্রিকেট ঃ** মোরনিং স্তার এসোসিয়েসন-থাঙ্গা খুনজেম লৈকাইনা শিনদুনা খুনজেম লৈকাই লাইনিংথৌ লম্পাক্তা চথরিবা মঙাশুবা রাজ্য থাক্কী এল. ইবোচৌ মেমোরিএল ওপন ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবদা-তাইফুম এলভেননা য়ু.ভি.ৱাই.ওবু রন-১২০ দা থোইখি।